হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, ওক্টোবর ০৩, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ১৮৭শুবা মশীং


## ৱায়েলশঙগী ৱায়েল

### শরেংসু থোংবা থাওসু থাকপা ওইহন্নীংই

মণিপুরগী ওইনা হৌজিক লৈরিবা জুদিসিয়ারিগী ফীভমসিদি মমাঙঙৈগী নৎত্রগা চহী খরগীদু নৎত্রে। মতম অমদদি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা খক্তা চৈরাপ লোয়শঙ লৈরম্বনি। ৱায়েলশঙশিংগী মশীংসু য়াম্লমদবগী হৌনবা লো প্রাক্টিস তৌবা মীওইশিংগী মশীংসু ওন্থোক্না য়াম্লমখিদ্রবনি। মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা সেসন্স কোর্টশিং ফাওবা হৌজিক লৈরিবা অসুম্মাইনা লৈজরম্বা নত্তে। হৌজিক্তি নৌনা হাপচিল্লকখিবা দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্তা সেসন্স কোর্টশিং শুনবা লৈহনবা ঙমদ্রিবা ওইরগসু তঙাইফদনা দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্কীদি ক্রিমিনেল ত্রাইএল কেসশিংগী ৱায়েল চথবা য়াবগী খোঙহাই চাবা ফীভম অমদা ফাওবদি লৈরে হায়বা য়ারে। ইশম শম্বদা মতম অমদা গৌহাটি হায় কোর্টকী মখাদা ইম্ফালদা বেঞ্চ অমখক্তমক মথৌ তারকপদা লৈহল্লম্বদু হৌজিক্তি ষ্টেটসিগী ওইজবা তোঙানবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুর লৈজরক্লে। লৈহনগদবনি, খোঙথাংসি অচুম্বনি। দেমোক্রেসিগী মরু ওইবা শরুক অহুমদা জুদিসিয়ারিসু অমা ওইরিবনি। মসিগী মথক্তা পীকচরবসু মণিপুর মখল কয়াগী সিভিল অমসুং ক্রিমিনেল কেসশিং মশীং য়াম্না থোকপা ষ্টেট অমসু ওইরিবনি। হৌজিক ত্রাইএল কোর্টশিংগী মশীং য়ামখৎলক্লে হায়রগসু হায় কোর্ট য়াওনা মসিগী সর্বোদিনেট কোর্টশিংদা দিস্পোজ তৌগদবা কেস কয়া পেন্দিংদা লৈরবনি। মসিগী মরমশিং শোয়দনা লৈগনি। মরম লৈতনদি কেস ময়াম পেন্দিংদা লৈরকপা য়ারোই। ৱায়েলশঙগী তঙাইফদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমসুং মেনপৱার ৱাৎপসু মরমশিং অদুগী মনুংদা অমা ওইগদৌরিবনি। অদুগা খ্বাইদগী নক্কনা মরী লৈনবা মরমশিংগী মনুংদনা ৱায়েলগী থবক্তা মরু ওইনা চংবা প্রোজিক্যুসন অমসুং দিফেন্স ৱিটনেসশিং কোর্টনা সমন পীরবা ফাওবদা লাক্তবা, লাক্ত্রে হায়দুনা ৱারেন্ট নোটিস পীরবা ফাওবদা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা মতম চানা এগজিক্যুট তৌবা ঙমদবা, তৌরগসু ৱিটনেস মশা হঞ্জিন-হঞ্জিন লাক্তবা, দিফেন্স কাউন্সেল অমদি প্রোজিক্যুটরশিং শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবগী থৌদোকশিং য়াওরকপা, জুদিসল কষ্টদিদগী অন্দর-ত্রাইএল প্রিজনরশিং ভর্চ্যুএল মোদতা ওইরবসু মতম চানা পুথোকপা ঙমদবা অমসুং কেস অমগা মরী লৈনবা মীওই পূম্নমক্না 'স্পিদি ত্রাইএল' চথবদা কো-ওপরেসন পীরক্তবনসু ওইগনি।

হায়রিবশিং অসিনা কোর্টতা চার্জশীট থাগৎলক্লবা, ত্রাইএল কোর্টতা ৱায়েল চথনবগীদমক কম্মিট তৌরক্লবা, কোর্টনসু চার্জ হিয়ারিং পাঙথোক্তুনা ৱায়েলগী থবক লৌখৎলবা কেসশিংগী ৱানি। কেসশিং অসি নত্তবদা ক্রাইম নৎত্রগা ওফেন্স অমগী মতাংদা পুলিসনা মতম চানা কেস লৌখৎতবা, ইনভেষ্টিগেসন চথদবা অমসুং মসিনা মরম ওইরদুনা কোর্টতা চার্জশীট মতম চানা থাগৎলক্তবনসু ওইগনি। ৱায়েলশঙনা কেস অমগী ৱায়েল চথবা হায়বদি পুলিস নৎত্রগা লো এনফোর্সিং এজেন্সী অমনা কেসতুগা মরী লৈননা সবমিট তৌরকপা চার্জশীটতুদা য়ূম্ফম ওইগদৌরিবনি। ৱায়েল চথনবগী য়ূম্ফম ওইগদবা চার্জশীট য়ৌরক্ত্রগদি কোর্টনা কেস অমগী ৱায়েল চথবা ঙমদে। মরম অসিনা লৈবাক মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনবা অকক্লবা কেস অমগী ৱায়েল ওইরবসু কোর্টনা মতম চানা হায়বদি ঙন্না পীবদা খুরৌ থাংই। অদুবু পুলিস, প্রোজিক্যুসননবু প্রপ-প্রপ মথৌ তাবা থবকশিং পাঙথোরক্লগদি কোর্টনসু খ্বাইদগী তেন্না অমদি থা ১ ফাওবা চংহন্দনা অরোইবা ৱায়েল পীবগী থৌদোক অরিবম নৌতুনেশ্বরিনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী সেসন্স জজ ওইরিঙৈদা থোকখ্রে। কেস অমগী ৱায়েল চথবদা তঙাইফদনা চঙবা মচাকশিংদু শুরগদি ৱায়েলগী থবক্তা থিন্থদে হায়বা ময়েক শেংনা তাকখ্রে। মরম অসিনা কোর্টশিংনা কেস অমগী অরোইবা ৱায়েল পীদে হায়বা নত্তে, পীরি। অদুবু য়াম্না থেংথনা অমসুং চোন্থনা পীবসু য়াওই হায়বগী ৱানি। খুদম ওইনা সেপ্টেম্বর ২৮, ২০২২দা বিষ্ণুপুরগী সেসন্স জজনা মর্দর কেসতা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনী মরাল লৈরে হায়দুনা কনভিক্সন পীখি। অদুবু মখোয়না কম্মিট তৌরুবা ক্রাইমদুদি কুমজা ২০০৬কী জুন ২৬তনি। মরমশিং অসিনা চোন্থদনা চৈরাকসি পীবা ঙমহল্লন্নগদি শরেংসু থোংবা, থাওসু থাকপা থোক্কনি হায়বগী ৱানি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫১

১) **"লমজিংবা"** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"তৎলবা য়োলহিং লক্তা শমজিন্নবা"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?

৩) **"হৌগৎলোনে চান্নবী থোং হাংদোক্লো"** কৌবা লাইরিক অসি মণিপুর মপান লমগী অইবা অমনা ইবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"য়িমুং কোকফাই শৌ। ফদি ফরালৈ। ১০ চাকথম। চাগুম খুজামলত। চাকখুম লুখাক ৱাইতৈনা। ফকলাং মিরাংখা। লকাং মারি য়াল। লাকুম শিংগুম। ফুলৈ রাবাদা। শিদবী ঐনা মাই ওনশনদেয়।"** ৱাহৈ পরেং খরা অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৫) **"নীংশিংলি হৌখ্রবা মতমদো"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

| পাউখুম পীবিরিবা ঃ |
| --- |
| ডা. এম থোইথোই সিংহ |

**Q.** করিগুম্বা ৱাহং অমত্তা হংজগে ৱারৌবা য়াদে। ঐগী সেম পান্বী অমা হৌরি, চহী ৩০ মুক শুরে। মতোমতা হৌজরকপনি। ফুট ৩-৪ মুক ৱাংলকপদা মফমদি হোংদোক্লুরে। পান্বী মউ অদু ফুট ১০ রোম ৱাংই, মউসু ইঞ্চি তরুক কোল্লি। মখোঙদা মচা ফুট ৩-৪ ৱাংনা ২০-৩০ মুক্লা য়োমদুনা চহী চূপ্পা হৌই। মচাশিংদু হোংদোকপসু হৌদে। মসিবু করি মরমগীনো, করি হার নৎত্রগা করম্বা পোৎলম হাপ্পগা মহৈদু পানগদগে, মপালসু শাদে, চহী চূপ্পা মনা ঙাক্তা ইশং শংনা লৈ। মহৈ পান্নবা ৱাফম অমত্তা চেফোঙ অসিদা পাউখুম পীবিরকউ।

**- ডা. টি ঐচ হেরাল্ড সিংহ, কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়**

☞ সেম পান্বীদু মথন্তা হৌরকই হায়রিবসিনদি সেম পান্বীদু করম্বা মখলনো খঙদে হায়বীবনি। ৱাইল্ড ওইনা লৈবা পানগন্দবা মখল ওইরম্বসু য়াই অদুবু হীদাক কাপ্লগা অমসুং পান্বীগী মঙং মতৌ শেমদোক্লগা পানব্রা হায়বদুদি য়েংবা য়াই। পান্বীগী মখোঙদা চয়োম শানা শৌগৎলক্লিবা সেম পান্বীগী মসাশিংদু লোইনমক ককথৎলগা লৌথোকসি। উহৈ-ৱাহৈ পান্বীগী মখোঙ (লৈবাক্তগী ফুট অনী/অহুম ফাওবদি পান্বী ফাওবা মসা অমত্তা লৈহল্লোই, লৌথোক্কনি। পান্বীগী মথক থংবা শরুক্তসু মসাদু কা হেন্না কুংলবদি ফজদবা/পামদবা মসাশিংসু লৌথোক্কনি। মতুংদা মপাল শাবা অমসুং মহৈ য়ানবদা নত্তনা পান্বীগী শাহৌ ফগৎহনবা অমসুং মচিঞ্জাকশিংসু য়াওবা King power মিলিলিটর তরেৎ ঈশিং লিটর মঙাদা য়ানশিনবীরগা পান্বীগী শরুক পূম্বা চোৎনবা কাপ্পীয়ু। মখোঙ ময়াদা লৈরিবা লৈবাক্তুসু খরা শোমগাইরগা ভর্মিকম্পোষ্টকা Well potash (Potash mobilizing bacteria) মিলিলিটর ১০০ মুকসু হাপসি।

**Q.** তিলহৌ মপাল শারোইদবা অফবা মরূ খরা হায়বীরকউ, অমনা ঐগী ইশ্বোলদা শেম্বাং কৌথুম হায়না খঙনবা নাপী অসি মরাং কায়না হৌরে। মসিবু হাৎনবা হীদাক হায়বীরকউ।

**-কমল মোইরাংথেম, থৌবাল,** kamalmoirangthem43@gmail.com

☞ তিলহৌ মপাল শাবা হায়বসি খুথাগী মখা পোল্লি। চারাশিং নুমিৎ ৪৫নিগী মতুংদা লিংথোক্লবদি মপাল শাগল্লি নৎত্রগা পাম্ফেল ওইবা তিলহৌ চারা নৎত্রগা চারা হুনফমদা অদুম থল্লবা তিলহৌ পান্বীশিং ঙন্না মপাল শাগল্লি। মরম অসিনা নুমিৎ ৪৫নি, শম্না হায়রবদা চয়োল তরুক শুদ্রিবা চারাশিং লিংথোক্লবা হোৎনগনি।

মপাল শাবা হন্থবা তিলহৌ মখল Prema নৎত্রগা Agrifound Dark Red শীজিন্নবা য়াই। Prema দি মণিপুরদা মতম পূম্বদা ফংই অদুবু Agrifound Dark Red তি ইশানা চেন্দ্রবদি ফংদে। শেম্বা কৌথোং হাৎননবা হীদাক অমগী মমিং পনবা তারবদি Basagran মিলিলিটর ৬০ ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা কাপথোকপীগনি। অদুগা য়ামদবা মফম ওইরগদি Hand wider হায়না খঙনবা লুপা ৮০ খক পীবা খুৎলায় অমনা শেম্বাং কৌথুমগী মরূ য়াওনা লৌথোকপা য়াই।

**Q.** ঐগী দ্রেগোন ফ্রুট পান্বী অমা গল্লাদা থাই। মসা মরেং ফজে; চৈঙাক (Stacking) ফজনা পী। থা অমগী মমাঙদা মপাল অমখক শাখি অদুবু হৈ ওইগদৌরিবা শরুক্ত মতম খরা নাপু মচু চঙনা লৈরল্লগা অদুম কেনখ্রে। হন্দক অমুকসু মপাল অমা শারে। মথংগী নুমিৎতা মপালদু খুইথনা লৈরি। মসিবু করি করম্বা খুদোংচাদবশিংনা থোকহনবনো ? করি তৌবা য়াবগে?

**- নাওরেম দিনেস, থৌদা ভাবোক লৈকায়**

☞ য়াম্না খুদোং চাদ্রিবসি পান্বী অমখক ওইবা অমসুং পান্বীদুদা মপাল অমখক শাবসিনি। মথং মপাল শারকপদা য়েংবীগদবসি মপালগী ময়ায়দগী খজিক্তং থৈদোক্লগা লৈবা অমোমগী শরুক (Stigma) অদুনা য়াম্না ৱাংখৎনা লৈরবা মদুগী অকোয়বদা লৈরিবা লৈরিক য়াওবা ফিলামেন্টশিংনা য়াম্না নেমথনা লৈরবদি মহৈ পানবা ঙল্লরোই। করিগুম্বা অনীদু ৱাংবা মান্নরপ তৌনা লৈরবদি পানগল্লি। অঙাংবা মখলদগী অঙৌবা দ্রেগোন ফ্রুট মখলনা পানগনবা হেল্লিবসি মথক্কী খেন্নবসি লৈবননি।

করিগুম্বা হন্দক্কী মহৈসিনা ওইদ্রবদি মথং মপাল লাকপদা মপালদু মুন্না য়েংবীয়ু ষ্টিগমানা ৱাংখৎনা লৈরবদি লৈরিক য়াওবা ফিলামেন্টশিংদু অমোৎ অকায় তৈদ্রবা কাটি অমনা মখোঙৱাইদা কক্লগা তুমশৎ অমনা লৌখৎলগা ষ্টিগমাদা নপশিনবীয়ু নৎত্রগা মথক্তা থাদবীয়ু। মপালদু নুমিদাংৱাইরম নৎত্রগা নুমিদাং শাৎলগা অয়ূক্তা খুইথখিগদবা মরম্না অতেনবা মতমদুগী মনুংদা পাঙথোকপীয়ু। নৎত্রগা পান্বী খরা য়াম্না থানবা হোৎনবীয়ু। পান্বীদুমক্তদা মপাল অনী অহুম নৎত্রগা হেন্না শারবদি পানবগী চাং ৱাংগনি। কেক্টসকী কাঙবুনি, ঈশিং অদুক য়াম্না চঙলোই খন্দুনা মপাল শাবা মতমদা ঈশিং চাইবা লেপ্পা য়াদে। ঈশিং চাং নাইনা পীগনি। পুং তরুক্তগী তাদনা নুংশা ফংবা মফমদা গল্লাদু থন্বীয়ু। পান্বী খেন্নবগী মতুংইন্না নুংশা পাম্বগী চাং খেন্নে। তিলহৌদি নোংমদা পুং ১১গী নুংশা পাম্মী।

পান্বী খুদিংগী থাফম খেন্নবগুম গল্লাগীসু থম্ফম খেন্নে। মফম চানা থন্বীয়ু।

## লৈবাক লৈহাওগী মরু ওইবা ৱাহৈ খরা

**- এস সুমঙ্গল -**

**ঐখোয়গী লৈবাক লৈহাও শিথরক্লিব্রা?**

লৈবাক লৈহাও হায়বসি য়াওদনা অয়াম্বা পান্বীনা হৌবা ঙমদে। ঈশিংদা থাবা হায়দ্রোপোনিকস হায়বদুদা কয়া য়াম্না থাবা য়াগনি? লৈবাক লৈহাও লৈত্রবদি ঐখোয়গী চিঞ্জাক লৈররোই হায়বা য়ারে, লোয়ননা শা-ষণগী মচিঞ্জাকসু লৈররোই। লৈবাক লৈহাওদি পঙ্খে নাইবগা লোয়ননা কায়গনবা পোৎশক্লুম্বনি, য়াম্নসু মরু ওইবা চেকশিন্না শীজিন্নগদবা পুক্কে অমনি। অয়াম্বা সব সহারান অফ্রিকাগী লৈবাক লৈহাও অয়াম্বদা হার লিক্লা শীজিন্নবা মরম্না মহৈ মরোংশিংনা লৌথোকখিবা অদুগা লৈহাওশিং হঞ্জিনবীদবা মরম্না চাথোক শাথীনা হন্থরক্লে। মসিনা শম্না তাকপদি ঐখোয়গী **লৈবাক লৈহাও অসি শিথরক্লি হায়বনি।**

**লৈবাক লৈহাওবু করম্না হিংগৎহনগনি?**

ওইথোকপা য়াবা থৌওং অমা হায়রগদি ষন্থি ষণয়ুংগী হার, কম্পোষ্ট, ভর্মিকম্পোষ্ট, হাপ্পা, গ্রীন মেন্যুরিং তৌবগা লোয়ননা সোইল কঞ্জর্ভেসন তৌবা অসিনি হায়বা তাই। তৌবতবু ষন্থি হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা কান্নবা চঙদবা য়াদবা পোৎলম অমা ওইবনা ষণ লোয়দুনা ষন্থি তাদবা মফমদনা লৈহাও শিথরকপগী খ্বাইদগী চাওবা মরম অমদি ওই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

অহিংবা অফবা লৈবাক ওইনবা কাঙলোন খরা :-

. পোৎ থাদুনা লৈমাইবু কুপশিন্দুনা লৈবাকপু ইংথহনবা অসি চহী চূপ্পা তৌবিবা।

. লৈমাইবু কনশিনহন্দনা তারক্লিবা নোংগী ঈশিংবু লৈনুংদা চঙখিনবা হোৎনবা।

. পান্বীগী মরাগী মনাক্তা ওর্গানিক মেট্টর হেনগৎহন্দুনা ঈশিং ফাজিনবা, চুপশিনবা ঙমহনবা।

. মরা পাক শন্না অমদি লুথনা তাহন্নবা শেন্বীবা।

**অহিংবা লৈবাক্তা করি য়াওবগে?**

লৈবাক লৈহাওদা পান্বীগী মচিঞ্জাক মচনশিংগা মচিঞ্জাক নত্তবা মচন কয়া অমগা লোয়ননা মখল কয়াগী অপীকপা মীৎনা উবা ঙমদবা অমদি ঙন্বা থৱায় পানবা কয়া খুদম ওইনা তিন্থোক, হিংকুপ (বেক্টেরিয়া, কোকফাই, পান্বীগী মরাগা শম্নবা মাইকোরাইজা) অসিনচিংবা কয়া অমা লৈহাওদা য়াওরি। লৈনুংগী থৱায় পানবশিং অসি হিংমিন্নবা অমগা অমগা মরী লৈনৈ। মরম অসিনা লৈবাক লৈহাওবু মশা ফনা থম্নবা লৈনুংদা হিংমিন্নরবশিংগী মরক্তা অমগা অমগা চিঞ্জাক্কী নীংথিবা মরী লৈনবা মথৌ তাই। হিংলিবা থৱায় পানবশিং অসিনা এঞ্জাইম অমসুং অতোপ্পা মহিকশিং থাদোরক্তুনা লৈবাক্তা লৈহাও হাপচিল্লি। অমরোমদা হায়রগা মখোয়শিং অসিবু পুল্লপ্পা ওর্গানিক মেট্টর হায়রিবা অদুনি। মসিগী ৱাখল্লোন অসি পান্বীগী হিংলিবা মরাগসু অদুমক মরী লৈনৈ। মসিগী মনুংদা চেল্লিবা ৱাহন্থোক্তি পান্বীনা চিনি পুথোকই হায়বনি। পুথোক্লিবা চিনি অপূনবগী চাদা ৪০দি মনা অমসুং মহৈশিংদা তুংশিল্লি, চাদা ৩০ অমনা মরাদা অদুগা মসিগী শরুক অহুমগী অমদি লৈহাওদা থাদোক্তুনা পান্বীবু মশা ফনা থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা হিংকুপশিংগী মচিঞ্জাক ওইনৈ। মসিনা পান্বীগী মরা লৈবাক লৈহাও অমসুং হিংকুপশিংগী মরক্তা হকথেংননা মরী পূম্নমক লৈনৈ হায়বদু তাক্লি। মরম অদুনা মখল মখা কয়াগী পান্বী কয়া কাঙলোন মখল কয়াদা থাবনা লৈবাক লৈহাওবু ফীভম ফনা থম্বদা/পুরকপদা খূৎলৈ থুহনবা হেনগনি। লোক্লবা মতুং ফাওবদা পান্বীশিংদুগী মরানা লৈনুংদা হিংকুপশিংদুগা লোয়ননা হিংহৌরবদি লৈবাক্তুবু লৈহাও চেলহনলমগদৌরিবনি। বিজ্ঞান্নদি কার্বোন গ্রাম অমনা ঈশিং গ্রাম অমা ফাজিনবা ঙমই হায়রি। মরম অসিনা কার্বোন য়াম্না য়াওরিমখৈ লৈবাক্তুনা ঈশিং ফাজিনবা ঙমই। লোয়ননা ওর্গানিক মেট্টরগা লোয়ননা কোকফাইগী মরী মরাং, বেক্টেরিয়া পূম্নমক অসিনা লৈবাকপু হোম হোম লাউহনবদা মতেং পাংদুনা লৈবাক্তুদা অহোবা মখুল মরাং কায়হন্দুনা ঈশিংগী ফাওদোক ফাওজিন য়াহল্লি লোয়ননা চুপশিনবসু ঙমহল্লি, য়াম্না ফাজিনবসু ঙমহল্লি হায়বদি ওর্গানিক মেট্টরশিংগী মচাকশিংদা ঈশিং নপ্পুনা লৈবনা ঈশিং ফাজিনবা ঙন্বগী পাঙ্গলসু হেল্লি হায়বনি।

**লৈবাক লৈহাওদা ঈনিলগী চাং করম্না হেনগৎহনগনি?**

মথক্তসু পঞ্জখ্রে লৈবাক লৈহাওগী ঈনিল হেনগৎহন্নবা থৌরম ময়ামগী মনুংদা ওর্গানিক মেট্টর হেনগৎহনবা হায়বসিসু অমনি। মসিগীসু মথক্তা অতোপ্পা থৌরমশিং - লৈবাকপু কুপশিনবা (মলচিং), ওর্গানিক্কী হার হাপ্তুনা পান্বী মখল য়াম্না থাবা, মফম চানা উ থাজিনবা লোয়ননা মতম চূপ্পদা লৈমায়বু পান্বীনা কুপ্তুনা থম্বা হায়বনচিংবা পূম্নমকশিং অসি ইনিলগী চাং ফগৎনবা পান্থৈশিংনি।

শন্দোক্লা হায়রবদা মলচিংনা ঈনিল পাইথোকখিবদগী ঙাকথোকই, মসিনা ঈনিল মাঙহন্দে। উ অমদি পান্বী মখলশিং থাদুনা মতম চূপ্পা লৈমায়বু কুপ্তুনা থম্বনা ঈশিং চেন্থখিবগা ইরোয়ননা লৈহাও চেন্থদুনা মাঙবদগী কল্লি লোয়ননা নুংশিৎতগী ঈনিল লৌশিনবসু ঙমহল্লি। ওর্গানিক হারনা লৈবাক্তুদা অহোবা মখুল মরাং কায়হন্দুনা ঈশিংগী ফাওদোক ফাওজিন য়াহল্লি লোয়ননা চুপশিনবসু ঙমহল্লি য়াম্না ফাজিনবসু ঙমহল্লি ওর্গানিক মেট্টরশিংগী মচাকশিংদা ঈশিং নপ্পুনা লৈবা মরম্না ঈশিং ফাজিনবা ঙন্বগী পাঙ্গলসু হেলহল্লিবনি।

মথক্কী ফীভমশিং অসি মফম মফমদুগী লৈজবা ঈশিং নুংশিৎকী মচাকশিং অমদি ঈশিংগী পান্থৈ শীজিন্নদুনা পান্বীশিং থারবা মতমদা ওইথোকহল্লি। নোংগী ঈশিং ফাজিন্নবা বন্দ, পাইপলাইন, এনর্জি সোর্স, খোংলম, পুখ্রিনচিংবশিংগী নেটৱর্ক (গ্রিদ ব্লোক) শীজিন্ননবা হাপচিনবা য়াই। অসুম্না দ্রিপ, স্প্রিংক্লরনচিংবা মাইক্রো ইরিগেসনগী অমদি চানবা ক্রোপিং সিষ্টম শীজিন্নদুনা ঈশিংগী কান্নবা হেন্না ফংনবা হোৎনবা য়াই।

**চুমথোকহৌবগী তঙাইফদ্রবা লৌউ কাঙলোন :**

অখণ্ড অহৈ কয়ানা লাওদুনা লাক্লিবা ৱাফমদি ওইরক্লিবা মতমসিগী লৌউ কাঙলোন হায়বদি কেমিকেলগী হার, তিলহাৎ হীদাক কয়া অমা কাঙলোন চুম্না শীজিন্নদবনা মহৌশাগী লৈবাক লৈহাওদা পীরক্লিবা চৈথেংশিংনা ওইহল্লক্লিবা মালেমসিগী অকোয়বগী ফীভম অকিবগী মশক ওইরে হায়বসিনি। মসিনা মরম ওইরগা মহৌশাগী লৈজরম্লিবা লৈবাক লৈহাওগী পান্বী নিংথিনা হৌবা ঙন্বগী মথক্তা থমজখিবা ঈশিং নুংশিৎ, হিংকুপশিং, হৌরিবা পান্বীশিং খুদিংমক্তা লৈনরম্লিবা মরীশিংগী খল কায়রক্তুনা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমদবগী থাক্তা লাকপদগী কলহৌবনা মশা মউ ফবা তাইবঙপান অমা তুং কোইনা লৈহৌবা ঙমগনি। ঐখোয় খন্থবা মতম হেনখিগদৌরবনি। মহৌশাগী লৌউ, তুং কোইবা লৌউ, ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা পুকচেল শেংনা মায় ওনশিনহৌরসি। ●

## চুদা নাইত্রোজেন পীবা হিংকুপশিং

**– ডা. ৱাইখোম জিতেন –**

চু পান্বী অসি মতিক চানা পোখোক পুথোক্কে হায়রবদি মঙোন্দা দরকার লৈবা মচিঞ্জাকশিং ফংহনবা হায়বসিসু তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা থবক অমনি। চু পান্বী মহৌশানা নাইত্রোজেন অমসুং পোটাশকী চাং ৱাংনা দরকার লৈবা পান্বী মখল অমনি। দরকার লৈরিবা মচিঞ্জাকশিং অসি ফংহন্নবগীদমক ঐখোয়না খূৎশেমগী হারশিং শীজিন্নবনা ঐখোয়গী লৌফমশিং শোকহনবগা লোয়ননা অকোয়বগী খলদা অকায়বা পীদুনা মীওইবা অমসুং থৱায় পাল্লিবশিংনা হিংবদা খুদোংচাদবা মফম অমা ওইহল্লি। খুদোং চাদবশিং অসিদগী কোক্লবগীদমক খূৎশেমগী হারশিং শীজিন্নবগী চাং হন্থহন্দুনা পান্বীদা মচিঞ্জাক পীবা ঙন্বা হিংকুপশিং থিদোক্তুনা লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নদবা য়ারক্ত্রে।

চু পান্বীনা নুংশিৎতা য়াওরিবা নাইত্রোজেনশিং ফাজিন্দুনা মখোয়গী দরকার লৈবা নাইত্রোজেনগী শরুক খরা ফংহন্নবগীদমক শীজিন্নবা য়াবা হিংকুপ (মাইক্রোওর্গানিজম) অসি Azospirillum নি। Azospirillum কেজি অনীনা ঈশিং লিটর ২৫০দা তোৎশিন্নরগা থাগদৌরিবা চুককশিং অদুদা লুপ্পগা থাবিবা মতমদা লৌ পরি অমগী লৌফমদা নাইত্রোজেন কেজি ৫০-৭৫ ফাওবা ফাজিনবা ঙমই। অদুবু ওল্লক্লিবা মতমগী খোঙচৎ অসিদা পুরক্তুনা *Acetobacter diazotrophicus* হায়না হান্না খঙনরম্বা *Gluconacebacter diazotrophicus* কৌবা হিংকুপ অমা থোরক্লি। হিংকুপ মখল অসিনা Azospirillum দগী হেন্না নুংশিত্তগী নাইত্রোজেন ফাজিনবা ঙন্বগা লোয়ননা চু পান্বীবু পোখোক হেন্না পুথোরকপদা মতেং পাংলি। হিংকুপ মখল অসি চুখক নত্তনা মঙ্গ্রা, কিহোম, চা, ফৌ, হৈনৌ, লফু অমদি Cane roon grass হায়না খঙনবা পান্বী মখলশিং অসিগী মরূ মরাগী অকোয়বদা ফংদুনা পান্বীশিংদা কান্নবা পীরি।

*Gluconacebacter diazotrophicus* না পীরিবা কান্নবশিং -

১) হিংকুপ মখল অসিনা চু পান্বীগী মশা অপূন্বদা লৈবা ঙমদুনা পান্বী অসিদা য়াওগদবা অপূন্বা নাইত্রোজেনগী চাং ৱাংখৎহল্লি।

২) হিংকুপ মখল অসিনা পান্বীশিংবু থুনা চাওখৎহনবা ঙন্বা হীদাক মখলশিং Auxin অমদি Gibberelin পুথোক্তুনা চু পান্বীবু খোঙলৈ থুনা চাওহনবদা মতেং পাংই।

৩) হিংকুপ মখল অসিনা gluconic acid কৌবা হীদাক মখল অমা পুথোক্তুনা অশিনবগী চাং হেনগৎহন্দুনা ফোসফরস, জিঙ্ক অমসুং আইরনবু তুমহনবদা মতেং পাংই।

৪) হিংকুপ মখল অসিনা তোঙান তোঙানবা হীদাক মখলশিং পুথোক্তুনা চু পান্বীদা লায়না থোকহনবা ঙন্বা হিংকুপশিংবু নমথদুনা লায়না মখল কয়া অমদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই।

৫) হিংকুপ মখল অসিনা চুগী পোখোক হেনগৎহন্দুনা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবগা লোয়ননা লৌফম অদু মশা মউ ফগৎহনবা ঙমদুনা মতম শাংনা লৌ উবা য়াবা মফম অমা ওইহল্লি।

৬) হিংকুপ মখল অসি শীজিন্নবনা খূৎশেমগী হার শীজিন্নবগী চাং হন্থহনবা য়াদুনা ঐখোয়গী অকোয়বদা খূৎশেমগী হার চাং ৱাংনা শীজিন্নবনা মরম ওইদুনা হু চেনবগী চাং ৱাংগদবদু হন্থহনবদা মতেং পাংই।

শীজিন্নবগী মওংশিং :- ১) চারাদা শীজিন্নবা : কৈথেলদা ফংলিবা হিংকুপ অসি য়াওবা হীদাক মহি লিটর ১না ঈশিং লিটর ১০০দা য়ানশিনবীরগা থাদোক্কদবা চুককশিং মিনট ২০-৩০ গুম্বা লুপ্পীরগা লৌফমদা থাবিরবদি হিংকুপ অসি শীজিন্ননবগী কান্নবা ফংবীগনি।

২) লৈবাক্তা হাপ্পা :- হিংকুপ মখল অসি য়াওবা হীদাক মহী লিটর ১.২৫না ষন্থি ষণয়ুং/কম্পোষ্ট/ভর্মিকম্পোষ্ট কেজি ১৫০দা তোৎশিনবীরগা লৌ পরি অমগী লৌফমদা নুমিদাংৱাইরমদা চাখাইবিরগা খোইজিনবীগনি। পান্বী থাদ্রিঙৈগী মমাঙদা হিংকুপ অসি হাপ্পীহৌদ্রবদি চু থাখ্রবা মতুং নুমিৎ ৫৫-৬০ শুবদা চুগী চুরিশিংদা চাইশিনবীরগা চুখোঙ লৈবাক খোপচিনবীরবসু হিংকুপ অসি শীজিন্নবগী কান্নবা ফংবিগনি।

৩) ঈশিং চাইবা :- চু পান্বীশিং দ্রিপ ইরিগেসন হায়রগা খঙনবা ঈশিং মরীক মরীক চুখোঙদা তাহল্লগা ঈশিং পীবগী থৌওং অসি চথরবদি ঈশিং লিটর ৫০০দা হীদাক মহি লিটর ১.২৫-২.৫ হাপ্লগা ঈশিং চনবীরবসু হিংকুপ অসি শীজিন্নবগী কান্নবা চপ চানা ফংগনি।

৪) মনাদা কাপ্পা :- কৈথেলদা ফংলিবা হিংকুপ অসি য়াওরবা হীদাক মহী মিলিলিটর ৫-১০ ঈশিং লিটর অমদা য়াল্লগা শেন্বা হীদাক মহী লিটর ৪০০/৫০০না লৌ পরি অমদা কাপ্পীরবসু হিংকুপ অসি শীজিন্নবগী কান্নবা চপ চানা ফংগনি। নীংশিংবীগদবা অমনা হীদাক অসি অয়ূক অঙনবা নৎত্রগা নুমিদাংৱাইরম খক্তদা কাপ্পীগনি।

য়ানশিন্নবা য়াবা হীদাকশিং :- ১) হীদাক মখল অসি পান্বীশিংদা মচিঞ্জাক পীবা ঙন্বা হিংকুপ (বাইওফর্টিলাইজর) মখল খুদিংমক অমদি অহিংবা জীবশিংনা শেন্বা লায়না ফহনবা ঙন্বা হীদাক মখল খুদিংগা চনশিন্নবা য়াই।

২) খূৎশেমগী ওইবা বেক্টেরিয়াশিংবু মাঙহনবা ঙন্বা হীদাক মখল অমতগা হিংকুপ অসি য়াওবা হীদাকশিংগা পূনশিন্নরোইদবনি।

তোঙান তোঙানবা পান্বীশিংবু মচিঞ্জাক পীবা ঙন্বা অনৌবা হিংকুপ মখলশিং থিদোক্তুনা খূৎশেমগী ওইবা হারশিং শীজিন্নবীদুনা মালেম অসি তুং কোইনা লৈহৌবা য়ানবগী থবক থৌরমশিং পায়খৎমিন্নরসি। ●